# ৱর্ল্ড সুফি ফোরমনা আই এস আই এস, অল-কাইদা অমদি টালিবান কন্দেম তৌখ্রে




ন্যু দিল্লি, মার্চ ২০ (এজেন্সী) ঃ
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা সেন্টরগী এন দি এ গভর্ণমেন্টপু মুস্লিমগী মায়োক্তা লৈবা গভর্ণমেন্টনি হায়না মরাল শীনরকখ্রবসু ন্যু দিল্লিদা ঙসি ৱর্ল্ড সুফিগী প্রোগ্রাম ঈং-তপ্পা মওংদা লোইশিনখ্রে।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ২০ লোমদগী লাকপা মুস্লিম স্কোলরশিংনা শরুক য়াখিবা মীফম অদুনা মখল খূদিংমক্কী টেররিজম্বু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি।

দিল্লিগী রামলীলা মাইদানদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনল সুফি কনফরেন্সতা তিনখিবা শক্লাইরবা মুস্লিম লূচিংবশিংনা ইস্লামগী মিংদা টেররিজমগী থবক থৌরম লৌখৎপা হায়বসি শেন্বীবা মপুগী মফমদা লঙজবনি হায়না ফোঙদোকখি।

নুমিৎ মরিনি চুপ্পা চথুরকখিবা থৌরমগী লোইশিনবা নুমিৎতা ৱা ঙাঙখিবদা পাকিস্তানি পোলিটিসিয়ন অমসুং ইস্লামিক স্কোলর তাহির-উল-কাদ্রিনা হায়খি, আই এস আই এস, অল-কাইদা অমসুং টালিবানগী পান্দমদি মী হাৎপা খক্তনি। মখোয়না চথুরিবা থৌওং পুম্নমক ইস্লামগা মরী লৈনদে।

ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তানগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনী য়েক্নবা নত্তে। লৈবাক অনীমক্কী অশেংবা য়েক্নবদি টেররিজমনি। কনাগুম্বা মীওই অমনা সুফিজমগী মরমদা মনুং হঞ্জিন্না নৈনবা তারবদি আই এস আই এসনা লৌখৎলিবা থৌরাং পুম্নমক ময়েক শেংনা খঙবা ঙমগনি। ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানদা পাক শন্না সুফিজমগী পাউতাক শন্দোক্লবা মতমদা টেররিজম লাকশিনবা ঙমগনি।

মালেমগী থাক্তা অহানবা ওইনা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড সুফি ফোরমদা শরুক য়াখিবা মুস্লিম লূচিংবশিংনা গভর্ণমেন্টকী থবক থৌরম শেমদোক্তুনা মুস্লিমশিংগী মথক্তা মীয়াম্না য়েংলিবা অরানবা মীৎয়েং কোকহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মমিং লৈরবা সুফি লূচিংবা হজরত সয়িদ মহমদ অসরফনা হায়খি, হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদা ইন্দিয়ানা সুফিজমদা অরানবা মীৎয়েং য়েংবগা লোয়ননা মুস্লিম ফুরুপকী মীওই খূদিংমক টেররিষ্ট ওইনা লৌবগী ফীভম অমা লৈখি।

থৌওং অসিনা মুস্লিম ফুরুপ্তা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহনবগা লোয়ননা লৈবাক্কী ওইনসু মাঙজবা ওইহনখি হায়না ওল ইন্দিয়া উলমা মসাইখ বোর্দ (এ আই য়ু এম বি)গী ফাউন্দর প্রসিদেন্টসু ওইরিবা সয়িদ মহমদ অসরফনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মমাঙদা শোয়খিবা কয়া চুমথোক্লবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎতুনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা সুফি মুস্লিম মিলিয়ন কয়াগী অপাম্বা ফংহনগদবনি।

সেন্ট্রেল ৱাকফ কাউন্সীল, ষ্টেট ৱাকফ বোর্দ, সেন্ট্রেল হজ কন্মিটি, ষ্টেট হজ কন্মিটি অমদি নেসনল মাইনোরিটি ফাইনান্স দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসননচিংবা তোঙান তোঙানবা মাইনোরিটিশিংগী বোদিদা সুফি মুস্লিমগী মীহুৎ য়াওহনগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াদা লৈরিবা সুফি মিলিয়ন কয়াগী এপেক্স বোদি ওইরিবা এ আই য়ু এম বিনা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা পোইন্ট ২৫ য়াওবা ৱারোল অমা লাউথোকখি। ৱারোল অদুগী মতুং ইন্না, সুফি সেন্ট খ্বাজা গরিব নৱাজগী মিংদা সুফি য়ুনিভর্সিটি অমা লিংখৎকদবনি হায়রি।

সুফি লিটরেচর, কলচর অমদি ম্যুজিক চাউখৎহন্নবগীদমক ষ্টেট কেপিটেল খূদিংমক্তা সেন্ট্রেল সুফি সেন্টর হাংদোক্কদবনি হায়নসু ৱারোল অদুনা মখা তাখি।

# 'লাস্কর-ই-টৈাইবানা সিক্যুরিটি ফোর্সতা এটেক চথুনবা হোৎনরে'



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২০ (এজেন্সী) ঃ
লাস্কর-ই-টৈাইবাগী মিলিটেন্ট-শিংনা ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং পেরা মিলিটরি ফোর্সেসতা এটেক চথুরকপা য়াই হায়না ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিংনা চেকশিন ৱারোল পীখ্রে।

কাশ্মীরদা এল ঈ টিগী লূচিংবা ওইনা লৈরিবা অবু দুজানানা অতোপ্পা টেররিষ্ট ১০গা খুৎশম্নরগা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা ওর্গনাইজেসন কয়াগী মতেং লৌদুনা এটেক চথনবা হোৎনবনি হায়না সিক্যুরিটি এজেন্সী-শিংনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

দুজানানা এল ঈ টিগী মকোক-থোংবা লূচিংবা খরগা টেলিফোন্দা ৱারী শানখিবদা পাকিস্তানলোমদগী ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা এটেক চথনবা য়াথং পীখিবগী ৱাফম য়াওখি হায়রি। হন্দক্তা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা অবু দুজানানা লূচিংবা মিলিটেন্ট কাঙবু অমগা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্নবা লৈখ্রবনি।

মীচম মীয়াম্না সিক্যুরিটি ফোর্সেস তম্না নুঙ লংশিল্লক্তুনা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংগী মীৎয়েং থৈদোকহল্লবা মতুংদা অবু দুজানা অমসুং অতোপ্পা মিলিটেন্ট মরি খুৎ থোক্নফমদগী চেনখিবগী থৌদোক অমসু লৈখ্রবনি।

পনবা য়াবদি, শিব রাত্রিগী কুম্মৈ পাঙথোক্লিঙৈদা এটেক চথনব-গীদমক পাকিস্তানলোমদগী মিলিটেন্ট ১০ গুজরাত ফাওরগা ইন্দিয়ালোমদা চঙলকখ্রে হায়না ন্যুজ রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

লাস্কর-ই-টৈাইবা অমদি জাইস-ই-মহমদকী মিলিটেন্ট ১০গী মনুংদা অহুমদি সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্নবদা শিখি। মিলিটেন্টশিংনা এটেক চথুরকপা য়াই হায়না চিংনবদগী সোমনাথ টেম্পল, দ্বারকা টেম্পল, অক্সরধম টেম্পল অমদি অতৈ মরুওইবা মফম কয়াদা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। কেপিটেল সিটি ন্যু দিল্লি অমসুং গুজরাতকী মফম কয়াদসু অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা মিলিটেন্টশিংগী থৌরাং মায় পাকহন্দনবা হোৎনখি।

গুজরাততা রেদ এলর্ট লাউথোকখিবগা লোয়ননা দিল্লি পুলিসনা মরুওইবা বিল্ডিংশিং, মিলিটরি ইন্সটোলেসন, সোপ্পিং মোল, হোস্পিটাল, স্কুল অমদি কোলেজশিংদা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি।

মুম্বাইদা মিলিটেন্টশিংনা চথুরকখিবা তোঙান তোঙানবা এটেকশিং অদুগা মান্নবা মওংদা এটেক চথুরকপা য়াই হায়না পাকিস্তানগী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজরনা পাউ পীরকপদগী দিল্লি, লখনৌ, জয়পুর, বিজয়ৱাদা, ভোপাল, চান্দিগর, অহমেদবাদ অমদি পনাজিনচিংবা সিটি কয়াদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি।

ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তানগী লোন্নবা ঙমখৈদা লৈবা হরামি নালা হায়না খঙনবা মফম অমদা অহাঙবা হি মঙা হুন্দোক্লম্বা থেংনখিবদগী মীয়ামদা অমুক্কা হেন্না মীপাইবা পোকহনখি।

মিলিটেন্টশিংনা ঙমখৈ লানশিল্লকপদা তোংলকপনি হায়না থাজনরিবা হি অদু বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)না মমাঙ থাদা থেংনখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম হরিভাই পার্তিভাই চৌধরিনা লোক সভাদা হায়খিবনি মদুদি, ন্যু দিল্লি অমসুং তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংনা মিলি-টেন্টশিংগী থৌরাং মায় পাকহন্দনবা চেকশিং থৌরাং লৌখৎলে।

# মপান্দা ডোক্টর তম্লকপা মীওই চাদা ৭৭ এম সী আইগী স্ক্রিনিং টেষ্ট পাস তৌবা ঙমদ্রি




ন্যু দিল্লি, মার্চ ২০ (এজেন্সী) ঃ
হৌখিবা চহী ১২গী মনুংদা মপান লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মেদিকেল কোলেজশিংদগী মেদিকেল দিগ্রী পাস তৌরগা হল্লকখিবা ইন্দিয়াগী মহৈরোয় চাদা ৭৭ মেদিকেল কাউন্সীল ওফ ইন্দিয়া (এম সী আই)না লৌবা স্ক্রিনিং ইগজামিনেসন পাস তৌবা ঙমদ্রি।

মপান লৈবাক্তা মেদিকেল দিগ্রী তম্লকপা মীওই অমনা এম সী আই নৎত্রগা ষ্টেট মেদিকেল কাউন্সীল অমদা রেজিষ্টর তৌনবগীদমক এম সী আইনা নেসনল বোর্দ ওফ ইগজামিনেসন্স (এন বি ঈ)গী খুত্থাংদা পাঙথোকপা ফোরেন মেদিকেল গ্রেজুয়েটস ইগজামিনেসন পাস তৌবা মথৌ তাই।

কুমজা ২০০৫দা এম সী আইনা লৌবা চাংয়েং অসি পাস তৌবগী চাং চাদা ৭৬.৮ ওইদুনা হৌজিক ফাওবদা খ্বাইদগী ৱাংনা পাস তৌবা ওইরি। চহী অদুদা মহৈরোয় ২,৮৫১না ইগজামিনেসন অদুদা শরুক য়াখিবদা মহৈরোয় ২,১৯২না মায় পাকখি।

কুমজা ২০০৮দা মহৈরোয় ১,৮৫১না চাংয়েং অসিদা শরুক য়াখিবদা মহৈরোয় ১,০৮৭না মায় পাকখি। মমাঙ চহীগী জুনদা পাঙথোকখিবা চাংয়েংদা মহৈরোয় ৫,৯৮৭কী মনুংদা শুপ্নগী মহৈরোয় ৬০৩না মায় পাকপা ঙমখি। দিসেম্বরদা পাঙথোকখিবা চাংয়েংদনা মহৈরোয় ৬,৪০৭কী মনুংদা শুপ্নগী মহৈরোয় ৭৩১খক পাস তৌবা ঙমখি হায়রি।

# আসামদা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা মীরেপ ৫৮৬না লম্বা তৌনরগনি

গুৱাহাতি, মার্চ ২০ (এজেন্সী) ঃ
এপ্রিল ৪দা আসামগী কন্সটিট্যুয়েন্সী ৬৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা মীরেপ ৫৮৬না লম্বা তৌনরগনি।

অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিগীদমক মীওই ৫৯৯না মীরেপ চে পীশিল্লকখিবগী মনুংদা মীওই ১৩গী মীরেপ চে রিজেক্ট তৌখি হায়না এদিসনেল চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার গৌরব বোথ্রানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

এপ্রিল ১১দা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা মীরেপ ওইনবগীদমক কন্সটিট্যুয়েন্সী ৬১দগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩৫না মীরেপ চে পীশিল্লকপা লৈখ্রে হায়রি।

মার্চ ১৫দা মীখলগী নোটিফিকেসন থোকখিবগা লোয়ননা মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ মার্চ ২২নি। মার্চ ২৪দা মীরেপ চেশিং স্ক্রুটিনি তৌরগা মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনা মার্চ ২৬তা ওইগনি।

মে ১৯দা কন্সটিট্যুয়েন্সী খূদিংমক্কী ভোট মশীং থীগনি হায়না এদিসনেল চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসারনা মখা তানা ফোঙদোকখি।



অমরোমদা, এসেমব্লি ইলেক্সন নকশিল্লক্লবা আসামগী তোঙান তোঙানবা মফমদা ইলেক্সন কন্মিসন্না অরানবা মওংদা শীজিন্নবা থৌরাং তৌরম্বা লুপা ক্রোর ৩ লোম ফাগৎখিবগা লোয়ননা য়ু লিটর লাখ ৪ রোম ফাগৎলে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইলেক্সন কন্মিসনগী মোনিটরিং টিমশিংনা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম ফাওবদা আসামগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লুপা ২,৯৫,৪৭,৮৩৪ রিকোভর তৌখিবগা লোয়ননা য়ু লিটর ৪,৩৩,৪১৭ ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি। ময়ায় কাবা দ্রগ কিলোগ্রাম ৫.৫ রোমসু তোঙান তোঙানবা মফমদগী মোনিটরিং টিমশিংনা ফাগৎপা ঙমখি।

এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী ১২৬ লৈবা আসামদা তাঙ্কক অনী থোক্না এপ্রিল ৪ অমসুং ১১দা মীখল পাঙথোক্কদবনি। ইলেক্সন কন্মিসনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা এক্সপেন্দিচর-সেন্সিটিব কন্সটিট্যুয়েন্সী ৩৪ অমসুং এক্সপেন্দিচর-সেন্সিটিব পোকেট ৪০১ মশক খঙদোকপা ঙম্লে।

এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনা য়ু শুংফম অমদি য়োনফম খূদিংমক্তা কেমেরা খিন্দুনা য়ু পুথোক-পুশিন তৌবগী থবক থৌরমশিং খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়না এদিসনেল চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার সিদার্থ সিংহনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা য়ু ফাবগী কেস ১,১৮৫ রেজিষ্টর তৌবা লৈখ্রে। ইলেক্সন কন্মিসন্না দেপ্যুটি কন্মিস্নার অমদি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসশিংদা অয়াবা য়াওদনা খুৎলাই পায়বগী থৌওং থিংনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না মাঙজৌনন্না খঙহনবা লৈখ্রবনি। হৌজিক ফাওবদা অয়াবা য়াওদনা পায়রম্বা নোংমৈ ৮৬ অমসুং নোংমৈ মরু ৩৩৩ তোঙান তোঙানবা মফমদগী ফাগৎপা লৈখ্রে।

# মহারাষ্ট্রগী লাতুরদা সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থমখ্রে

লাতুর, মার্চ ২০ (এজেন্সী) ঃ
ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মহারাষ্ট্রগী লাতুর দিষ্ট্রিক্টতা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থমখ্রে।

ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা ন্যুজ রিপোর্ট অমনা হায়খি, ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরবা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মীয়াম্না গুহা অমদি অতৈ ঈশিং শোকফমদা ঈশিং মুন্নবদা খৎন-চৈনবা থোরকপা য়াবগী ফীভম লৈবদগী অথিংবা অসি থমখিবনি।

লাতুরগী দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর পান্দুরং পোলনা মে ৩১ ফাওবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা গুহা অমদি ঈশিং শোকফম খূদিংমক্তা মীওই মঙা নৎত্রগা মসিদগী হেন্না পুনবা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখি।

মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিলাশ রাও দেসমুখকী পোক্লফম লমদম ওইরিবা লাতুরদা মতম খরগী মমাঙদগী মীয়াম্না ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লদুনা লাকখিবনি।

ঈশিং ফংদবনা মরম ওইরদুনা লৌমীশিংনা মহৈ-মরোং থাবগী থৌরাং লৌখৎপদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে।

পনবা য়াবদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কোকহন্নবগীদমক মীপুম খূদিংমক্না ঈশিং য়োক্তুনা থম্বগী হৈনবী থম্বগা লোয়ননা অরেম্বদা ঈশিং মাঙহল্লোইদবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা কৃষি উনতি মেলা হৌদোকপগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরকপা মতমদা খ্বাইদগী হান্না চৈথেং ফংলিবসি লৌউ-শিংউগী লমদনি।

# পি দি পিগী কন্দিসন অমত্তা য়াবা ঙম্লোই : বি জে পি

জম্মু, মার্চ ২০ (এজেন্সী) ঃ
জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা গভর্ণমেন্ট শেম্নবগী মতাংদা পিপলস দেমোক্রেটিক পার্টি (পি দি পি)গী লেজিসলেটরশিংগা ৱারী শানরি অদুবু হীরমসিগী মতাংদা পি দি পিগী লূচিংবা মেহবুবা মুফতিনা পুখৎলকপা কন্দিসন অমত্তা য়াবা ঙম্লোই হায়না বি জে পিনা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পিগী এম এল এ রবিন্দর রাইনানা হায়খি, ষ্টেট অসিদা মরক্কী মীখল পাঙথোকহন্নিংদবা অমসুং গভর্ণমেন্ট শেম্নিংবা পি দি পিগী এম এল এ খরগা পাউ ফাওনরি। অদুম ওইনমক চহী ১গী মমাঙদা য়ানখিবা ৱাফম অমগী মখাদা গভর্ণমেন্ট শেম্নবা হোৎনগনি। করিগুম্বা য়ানখিবা ৱাফম অদুদগী নাথৈনবা হোৎনরক্লবদি লৈখিদ্রবা চীফ মিনিষ্টর মুফতি মহমদ সয়িদকী মফমদা ঈকায়বা পীবা ওইনা থোক্কনি।



পি দি পিনা হন্দক্তা নৌনা পুখৎলকপা কন্দিসনশিং অয়াবা পীবগী ৱাফম লৈতে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মেহবুবা মুফতিনা চুংশিন্নবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী মতাংদা নৌনা পুখৎলক্লিবা কন্দিসনশিং বি জে পিনা য়াবা ঙম্লোই।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা লৈরিবা মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না গভর্ণমেন্ট শেম্নবা থৌরাং লৌখৎপনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, গভর্ণমেন্ট শেম্নবগী মতাংদা পি দি পিনা অনৌবা কন্দিসন থম্লকপা য়ারোই।

পি দি পিগী লেজিসলেটরশিং মচেৎ তাহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা লৈব্রা হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, বি জে পিনা হন্থবা থাক্কী পোলিটিক্স তৌবগী ৱাফম লৈতে। জম্মুগী মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না বি জে পিগী মফমদা থম্লিবা থাজবা মাঙহল্লোই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

হৌজিক হৌজিক জম্মু এন্দ কাশ্মীর এসেমব্লিদা এম এল এ ওইরিবা মীওই অয়াম্বা মপূন্সিগী অহানবা ওইনা মীখলদা মায় পাক্লকখিবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা মীওই অয়াম্বনা মরক্কী মীখল পাঙথোকপা পামদে হায়রি।

করিগুম্বা পার্টি অনী খুৎশম্নবা য়াদবগী ফীভম লাক্লবদি করি করম্বা থৌরাং লৌখৎকদগে হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা রাইনানা হায়খি, বি জে পিনা পার্টিগী ফিরেপ অমদি প্রিন্সিপল মন্থিক্লবা তৌরোই।

জম্মুদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী মশীং হেনগৎহন্নবা তকশিনবগা লোয়ননা পাকিস্তান অমদি পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মীরদগী চঙলকপা রেফ্যুজিশিং-গীদমক মখা তানা অঙম্বা থাক্তা থেংনখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# কার্গিলদা উন মরক্তগী আর্মি জৱানগী অশিবা হকচাং ফংখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২০ (এজেন্সী) ঃ
কার্গিলদা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা থীবা হুম্বগী থবক চথুরবা মতুংদা ইন্দিয়ন আর্মিনা বিজয় কুমার কৌবা জৱান অমগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং উন মরক্তগী ফংবা ঙমখ্রে।

কার্গিল সেক্টরদা লৈবা আর্মি পোষ্টতা উন নিংখায়রকপদগী লান্মী অসি থীবা খঙদনা লৈরকখিবনি। ঙরাংসু আর্মিনা অতোপ্পা জৱান অমা উন মরক্তগী কনবা ঙমখি।

উন মরক্তা ফুট ১২ লুথবা মফমদা নুমিৎ নিনি লৈরুরবা মীওই অদু হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা পাকিস্তানগা লোন্নবা লাইন ওফ কন্ট্রোল মনাক্তা উন নিংখায়-রকপগী থৌদোক অমদা লান্মী অনী মফম খঙদনা মাঙখিবদগী থীবা খঙদনা লৈরকখিবনি।

# বি জে পি নেসনল ইগজিক্যুটিবকী মীফম লোইশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২০ (এজেন্সী) ঃ
নুমিৎ নিনি চথুরকখিবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী নেসনল ইগজিক্যুটিব মিটিং লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি মদুদি, ষ্টেট খূদিংমক্তা পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মতাংদা নেসনল ইগজিক্যুটিব কন্মিটিগী মেম্বরশিংনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

হৌদোকপগী থৌরমদসু ঙরাং প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱা ঙাঙখিবগা লোয়ননা 'গ্রাম উদয় সে ভারত উদয়' হায়না মিংথোনবা রিজোল্যুসন অমা পার্টিনা মোত অমত্তা ওইনা পাস তৌখি।

মমাঙদা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা ৱা ঙাঙখিবদা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা এন্তি-নেসনল ওইবা থৌওং চথুরকপগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসনগী মিংদা কনাগুম্বনা লৈবাক্কী মায়োক্তা লৌখৎলকপা থৌরাং অমত্তা বি জে পিনা য়াবা ঙম্লোই।




জে এন য়ুদা থোকখিবা ৱাথোক্কী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মহৈরোয় খরনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা স্লোগান লাউখিবগী থৌওংবু কোংগ্রেসকী লূচিংবা রাহুল গান্ধীনা ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসনগা মরী লৈনহন্নবা হোৎনখি।

ভারত ইমানা য়াইফরে হায়বা খোল্লাউগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মীওই কয়ানা লৈবাক অসিগীদমক ভারত ইমানা য়াইফরে হায়বা খোল্লাউ লাউরগা থৱায় থাখিবা লৈখ্রে। নীংতম্বা ফংলবা লৈবাক অমদা ৱাফম অসিগা মরী লৈননা অনৌবা ৱাথোক অমা হন্দক্তা থোরক্লিবসি লাইবক থীবনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরসু ওইরিবা পার্টিগী লূচিংবা রবিসঙ্কর প্রসাদনা হায়খি মদুদি, কনাগুম্বনা পার্টিগী লূচিংবশিং অমসুং গভর্ণমেন্টপু হন্দুনা ৱা ঙাঙলকপা মতমদা তরাম্না ওক্কনি। অদুবু লৈবাক্কী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবা তারবদি তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই।

SMART RESOURCE (Intensive Care)
AVAILABLE HOME TUTORS
- For all subjects (Both CBSE and Manipur Board)
- From Primary to Higher Secondary Standard
- Professional Courses : Computer, Medical, Engineering, Music.
Contact to : Western Enterprises, Near Adarsh Laboratory, Kanglapark.
HL-B/3020/19 to 23 Mar. # 8575182463, 8256904515

ERAMDAM MANIPUR CHAOKHAT KHONGTHANG FINANCE SERVICE
H/Q - Sangaiprou Imphal/Oinam Branch
EMCKFS provides on any kinds of Loan! Business Loan, Venders and Hawkers Loan, Vehicle Loan (4 wheelers, 2 wheelers, Luxury Cars, Commercial Vehicle) and households items like Electronics Gadgets, T.V. Refrigerator, Washing Machine etc.
* NO GUARRANTOR *
* LOWEST DOWN PAYMENT *
* EASY DOCUMENTATION *
Please Contact us:
# 7085051906 # 7085051896
# 7308953178 # 8794238593 # 9089910964
Sd/- Managing Director
HL-P/7713/12,13,14,15,16,17,18,19,20,21,22,23,25

টেংথাংলোং/ লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)
উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং
(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খূদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।
(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।
(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।
(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।
(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং ভসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।
নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু
(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।
(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।
(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।
(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।
HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.
HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-
DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,
HL-B/2985/29/02-28/03